# ‘শাবী মেলৈ লাংবা’

- এল ইবোমচা -

ফমশিংসি চিংথোকউ
কাওসেন ক্লাগোকসু লৌথোকউ
চৈরাপ কাচিন্দ থন্মু
অঙন্বা তরামাথোই চিংথোকখ্রে
চৈরাপকী কাচিন্দা থমখ্রে।

মথক্কী ৱাহৈ অসি মোইরাং নিংথৌ চিংখুবনা কেগে লৈবাক ঙাকমিন্নরিবা অঙন্বা ফম্নাইবশিংগী মরক্তগী খরনা থৌগল্লোন য়াওদনা অমসুং চৎন-কাঙলোন কায়বা থবক তৌরকপদগী ফম তাহনখিবদা শীজিন্নখিবা ৱাহৈ ৱাতানি।

মালেমদা লৈমিন্নরিবা থৱায় পানবা পূন্নমক্তগী হেন্দোক্লা অথোইবনি হায়না শিংথানরিবা মীওইবা কৌবা কাঙলূপ অসিনা খ্বাই পূন্নমক্তগী শাথীবা জীবনি হায়বা য়াই। মরমদি কাঙলূপ অসি মশাগী ওইজবনা হান্না মাঙ থাদ্রবদি থবক তৌদবা, ইচা-মীচা য়োংলৈ মেলৈ নাইবগী শাজৎ চৎতুনা নাপলনা মরুম কাবা, ঐ মঙাইরে খন্না হিংবা, অঙকপা মখলগী জীব পানবনি। মসিনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম কয়াদা ঙাইহাক লৈতনা খৎন-চৈনবা, হাৎন-শুনবগী পাউ তৎতনা তাবা ফংলিবা অসিনি। লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা ফম অচৌবা পায়বা মীওইশিং য়াওনা ইনাক কৈরাক খুনবা মীওই অমত্তনা অচুম্বা অশেংবা ঙাঙদবতা নত্তনা মীয়ামগী কান্নগদবা অফবা থবক খরদং ওইরবসু তৌবীগে খন্দে। থোইনা হেন্নদুম ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলম চৈরমদা করবার তৌবা য়াওশিন্দুনা পৈশা পায়ননবা হোৎনদুনা লৈ। মসিনা তাকপদি মীগী খঙদে ঐ ইশা শেল পায়বা মী অমা ওইদুনা নুংঙাইনা হিংদবা য়াদে, ইচা ইশুগী ঐনা করিগী ৱাজরুনি, তুংগী মীরোলগীদমক্তা ৱাখল খনবা শংদে, মথৌ তাদে হায়বনি। মখোয়না খল্লিবা হায়ববু মখোয়না তৌরিবা অরোনবা থবকশিং মীয়াম্না খঙখিদনবা অমসুং চীংনদনবা করি করম্বা লৌনম ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নরগা মখোয়বু শুমদুনা থমসিগে, য়ারোইদবা মীগী মফমদনা করম্বা পাম্বৈনা অকন অরিং শিংলগা কিহল্লগা নমথরগা থমসিগে হায়বসিতনি। শম্না হায়রবদা ৱাঙাঙ হৈবনা যুবরাজ কাই, অকনবনা অচুম্বা শকই হায়বা ঐখোয়গী মমাঙঙৈগী পাউরৌ অদুগা শম্নামফৈ অমা খেন্নদবগী লিচৎ চৎলি। মালেমসিদা অসিগুম্বা শাজৎ চৎপা মীওই শৌ-শাবমখৈ লৈবনা ওইরম্বা তাই, মীওইবা হায়সি মখোঙ অনী অমসুং মখূৎ অনী পানবা লৌনম নমথাক হৈবা য়াম্না শাথীবা জীব পানবা কাঙলূপ অমনি হায়না মালেমগী শক্লাইরবা মীওই কয়ানা হায়বিরম্বা নীংশিংবা চুমগনি।

নোংশা-কৈনা অশোনবা জীবশিংবু ফারগা মচিঞ্জাক ওইনা চারবসু নোংশানা নোংশা চাদে, কৈনা কৈ চাদে, মখোয় মশেলগী মরক্তা ফত্তবা শাজৎ চৎনদে অমসুং মখোয়না মখোয়গী চারোল শুরোল মূৎপা য়াবা থবক অমত্তা খক তৌনদে। অদুগা লৌশিং য়াওদবনি হায়নরিবা মনা মশিং চাবা ষণ, ইরোই, শগোল, য়াও, হামেংনচিংবা শাশিংসু মখোয় মশেলগী কাঙলূপ কাঙলূপ শেম্মীন্নদুনা পূন্না চাক্তামিন্নদুনা হিংমিন্নরি। অদুগা লৌশিং য়াম্না লৈবনি হায়নরিবা মীওইবা ঐখোয়দি শিবদসু পুবা য়ারোইদবা লন-থুম, সনা লুপাদা মীহৌবা অমসুং লৈবাক্কী মপু (নিংথৌ) ওইনীংবগী ইখৌ লাংবা লৈনবনা অঙম অঙন্বা হাৎনবগী মওংদা পোকমিন্নবা মচিন মনাও অমসুং মপা মচা শক মায় য়েংনদনা মীনুংশি মচেৎ অমত্তা পোক্লদবমখৈ হাৎতোক্লখিবগী পাউ কয়া ঐখোয়গী ইরমদম অমসুং অতোপ্পা মালেমগী মফম কয়াদা তাখিবা লৈখ্রে। তশেংনা হায়রবদা মালেমসি মীওইবনা মরম ওইরগা শান্তি লৈহন্দ্রে, লেংলি-পাল্লিবা পূন্নমকপুসু ৱাহল্লে হায়বা য়াই। পূন্নমকসি মশানা মশাবু নিংথৌরেনগুম খন্নখিবদগী অমনা অমবু উশিৎনদবা অদুগা মীনুংশি মচেৎ অমত্তা লৈনদবদগীনি। তাইবঙ শেম্বা মপুনা মীওইবা ঐখোয়দা পীবিরিবা থোইদোক-হেন্দোকপা ৱাখল লৌশিং পূন্নমক অফবা হীরমদা শীজিন্নবগী মহুত্তা অচাউরম কাবা তান্নবরোমদা শীজিন্নদুনা অমনা অমদা শরৌ লাং থাক্লদুনা লৈখা তাবা য়াবমখৈ তাহল্লগা হাৎতোক্লবগী লিচৎ শাজৎ কয়া ঙসি ঙসিমক মালেমগী মফম কয়াদা ফোং ফোং শানা চত্থনরি। অসিগুম্বা মীওইবগী শাথীবা লমচৎ অসি আ লাই হাক্তক্তগী চৎনদুনা লাক্লবা মচৎ অমা ওইরমাল্লে হায়বগী চিংনদবসু ঙমদে। মরমদি মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারী শিংবুল হঙ্গৎনা নীংশিংলুবদা কেগে মোইরাং লৈবাক্কী চিংখুবা নিংথৌগী নাইতোম পোকচবী মমোম লাংলেন থোইবী মহাকথক্কী খম্বা-নোংবানগী ৱারী মপূম শাগৎলকপদা খম্বা পোকপদগীনা থোইবীগা লুহোংবা ফাওবগী মনুংদা লায়রববু ইনাক খুনবনা, অঙন্বনা মীচমবু ওৎ নৈবা অমসুং তাথী-তাওইনা হন্থনা য়েংবগী লিচৎ শাজৎ কয়া চত্থখিবা থেংনদবা নত্তে। অদুম্নদি ওইরগা মোইরাং কংলৈরোলসি মপূম ওইনা শাগৎতুনা য়েংলুরবদি রস পূন্নমক্কী তুংনফমদি ওই, তারিমখৈ পেনবা নাইদবদগী মীপূম খুদিং হঞ্জিন হঞ্জিন তানীংদুনতা লৈনৈ। মসিগী মরু ওইবা মরমদি, কনথৌবদা খম্বা। পাংদবদা নোংবান। ফিংবদা থেংলেন। লৌশিংদা ইপু চাউবা। ফাগিদা শৌরা। শক ফজবদা মজাইবেম্মা থোইবী। পংবদা তোরো। মীনুংশি চাওবীদা খম্নু অমসুং পুকচেল শেংবীদা সেনুনচিংবগী থৌদাং য়াম্না চাউনা য়াওবনা মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারী অসি মহাভারত-রমায়নগী ইপিক্তগী তাদবনা থাগৎতবদি ঙমদে। অমরোমদা মোইরাং লৈবাক ঙাকপা নুংঙাইনবা, কেগে খুঞ্জিন নিপান, লৈকায় মাপন, খুঙ্গং তরানিথোই, লায়াৎ মাপন খাইদোকপগা লোয়নননা খুন্থক অমসুং খুনখা পানা হায়না অনীদমক খাইদোক্তুনা থম্বগী ৱারীসু য়াওরি। পানা অনীমক্কী মীথোই মীহেনবশিং অসিগী মনুংদা খম্বনা খুন্থক পানাগী মচানি, নোংবাননা খুনখা পানাগী মচানি। মোইরাং অঙন্বশিংগী মনুংদা থোংলেন, চাওবা, ফৈরোইজাম্বা থাংগ্রালাকপা মমিং পনবা য়াই। অদুগা কংলা বিচার, কেগে চৈরাপ, শামুখোং বিচার, কবো বিচার, খম্বা-নোংবান চাইনবা অমমতা ওইনা শীংথাবদা অচৌবা ৱারী শীংবুল ঙাক্তনি।

থোইবী মশুং লাংগীদমক নোংবাননা পাম্বা কৈগী খায়াৎতা তাদুনা অরোইবা য়াহিপ তাল্লমদাইগী লাইজ ঈশিং খৌরাংলক্লবদা খম্বনা মতাও নোংবানদা, “ইতাও নখূৎনা থক্কেরা, ঐবু ইল্লকউ হায়ব্রা”? - ইল্লকউ হায়বগী ইঙ্গিৎ ফংবদগী খম্বনা মখূৎমক্লা ঈশিং ইন্দুনা অরাম খৌরাংবা কোকহনখিবগী মতাং করম্বা থম্মোয়না কাউবা ঙমগনি। পূন্নমকসিগী মথক্তা মোইরাং নিংথৌ চিংখুবনা মাগা লৈবাক ঙাকমিন্নরিবা অঙন্বা অমনা থৌগল্লোন য়াওদনা চৎন-কাঙলোন কায়বা থবক তৌরকপদা মথক্কী চৈরাক অসিমক ফংহল্লিবা অসিনা তাকপদি, মোইরাং নিংথৌ লৈবাক ঙাকপদা থোইদোক হেন্দোক্লা হৈথোই-শিংথোইবা মীওই অমা ওইবতা নত্তনা ময়ামদগী থোইদোক হেন্দোকপা মীওইদা মনা মথুম পীবা অমসুং মীংথোল পীবদসু হৈথোই শিংথোই। মসিনা ওইরম্বা তাই, মোইরাং থাংজিং হরাওবদা খম্বনা থাংজিং চীংদগী লাংলুবা ‘মেলৈ লৈস্না’ লৈরাংবু থাংজিং লাইদা কৎলবগী তুংদা নিংথৌদা অমুক হন্না লানখি। লৈরাং মেলৈ লৈস্নাগী নিংথিবা লৈশক উবদা নিংথৌগী থম্মোয় হায়নীংঙাই লৈতনা অপেনবা পোকখি, নুমিৎসি মক্তদা খম্বা-থোইবী অনীনা ইবুধৌ থাংজিং লাইগী লাইমাংদা পুংলোন চানা পুংবা জগোয় খূৎথেকসু তম্মিন্নৈ। জগোয় খূৎথেক তম্বগী শাওং-শাথেক উরুবদা ফজমনখিবনা হয়েং তুং ফাওবা মপোপ করিমত্তা কায়হনবা য়ারোইকো হায়না মীয়ামদা অকনবা চেকশিন ৱা হায়রম্বদগী ঙসি ফাওবা ‘খম্বা-থোইবী জগোয়’ হায়না শীংথানদুনা লৈরিবা অসিনি। অদুগা মেলৈ লৈস্না লৈরাংবু লৈশক খঙনা লাংলুবা খম্বদনা ‘শাবী মেলৈ লাংবা’...! মিংথোল পীবিরম্মী। ●

# য়েক-সলাই য়ূম্নাক শাগৈ অমদি মৈতৈগী চৈঙাকলোন মীঙ্গৌ

- কোন্থৌজম বেমবেম চনু -

ঐগী য়েক-সলাইগী মনুং চন্না লৈবা য়ূম্নাক-শাগৈ অমগী য়ূম্ফমদা খোইরি নাওফম তাজখি। ঐগী ৱারী খঙগে হায়রবদি ঐগী য়ূম্নাক-শাগৈ, য়েক-সলাই ৱাংহন্নে। কোল্লোই মীংলেনগী মাঙ ওইনা ঐগী য়ূম্নাক-শাগৈ হান্না থমদুনা ঐ অমা শক তাকপদা ঐগী য়ূম্নাক-শাগৈনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়বা তাকপীরি। অদুবু মীরমগী মতৌ তমদুনা চৎনবী অমা ওইনা মীংগী মতুং য়ূম্নাক-শাগৈনা তুং ইনবা চৎনরক্লি। মায়কৈ কয়াদা ঐগী চৎন-লিক্লম কায়থরকপা, শিথরকপা, মীতৌ তম্বগী হীরম কয়াদা খন্নখ্রে, নৈনখ্রে অদুবু মীংগী মমাঙ থংনা য়ূম্নাক-শাগৈ ইবা হীরমসিদা কনাগীসু মচিন কাঙবা উজদ্রি। য়ূম্নাক-শাগৈ কোল্লোই মিংলেন ইবিরবা মতুং পিবা ওইবীরগনা **মৈতৈ** হাপ্পুনা লোইশিনবীবা, নিংঙোল ওইবীরগনা **চনু** অরোইবদা পলেম ওইবিরগনা **লৈমা**। মীওই কয়ানা অপাম পামদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্কনি অদুবু ইশানা ইশাগী শিন্থা পাঙথোক্তনা কনানা পাঙথোকপীগনি। মৈতৈ ঐখোয়গী ফুরুপতি চৎন-লিক্লম তোঙাল্লি, তোঙানবা চৎন লিক্লম মশীং শুনা লৈরম্বনা ঐনা তোপ-তোপ্পা লেপচবা ঙমজরিবনি হায়বা কাউফদে। ঐ ইশা অসিবু তোঙানবা মশক তাক্লিবা, মীয়ামদগী অথোইবা ওইনা লেপহনবীরিবা ঐগী চৎনবীবু কুইনা শাংনা শাগোন্নদুনা চৎমিন্নবা হায়বসিনা ফুরুপ অসিদা ইতিনমিন্নরিবা ঐখোয়গী ইথৌনি। কৈদৌনুংদা ঐ হায়বা ৱাখলনা মাঙ থাফদে, ঐগী হৌরকফম্মু হান্না কোল্লোই মিংলেন মমাঙদা **ফম্বালহনসি**। ঐগী হৌরকফম্মু ইকায়খুম্নবা উৎসি, ঐ **মৈতৈনি** কাউগুমসি। লমদম তাম্না ইরৈপাক থাদোক্তুনা চৎলুবা মতমদা কৌরক্কনি নহাক্কী য়ূম্নাক-শাগৈবু কোলোই মিংলেন ওইনা মতমদুদা পীরম্মু পাউখুম ওইনা ঐগী ফুরুপতি ইশাগী মিংলেন তাকত্রিঙৈ ঐগী হৌরকফম হান্না শক্তাকচৈ হায়না। মৈতৈ ঐগী চৎন-লিক্লমগী নুংগী ৱাহন্থোক থিগৎচরুবা মতমদা মায়থোং মোমোন তমখি, ৱাহন্থোক্লা থৱায় হাপ্পা লিক্লমনি ঐনা চৎচরিবা।

ঐ অমগী ৱারীদা ঐ অমগী হৌরকফম শাগোন্নবনি। মৈতৈ ঐখোয়গী ফজখ্রবা খোন্থোক **‘কৈয়ুমনো’** হায়বা ৱাহংসিগী নুংগী ৱাহন্থোক য়াম্না পাক চাওই। ৱাহং অসি অহল-অঙাং খাইদে, পাউখুমদুনা ঐগী হৌরকফম তাক্লি। পাখং-লৈশা ওইরিঙৈ পাখঙ অমনা **‘কৈয়ুমনো’** হংবসি হৌন-লোনচৎ খঙবা, অহল লমন মশক খঙনা চৎপা ইমুং অমদগী থোক্লকপনি হায়বসু খঙহল্লি। পীকখ্রবা পাউখুমদুনা নিংঙোল অদুবু মচে-মচল থোকপ্রা হায়বসি তাকপীরি। মৈতৈগী চৈঙাকলোন ওইরিবা য়েক মশেল লৌনবগী ফত্তবশিং মশীং হন্থরক্কনি থাজজৈ।

মৈতৈ ঐগী মীঙ্গৌদি ঈ মরী তাকপনি। হৌজিক্কী মতমদা মীঙ্গৌ লান্না কৌবনা থকসি-খাসি হন্থরকপা, ইফোং ফোংনা উজবা মীঙ্গৌ খরা পঞ্জরবদা মবুংদা ইয়াম্বা কৌবা, মচে ওইবীশিংনা মৌপ্বাদা ইনাওনুপা, মবুং ওইবশিংনা ইচন্নুপীদা ইনাওনুপী কৌবশিং অসি পলেম-পন্থৌ ওইবশিংনা মচা ওইবশিংদা নিংথিনা খঙহনবীবা মতম ওইরে।

ফজরবা খোন্থোকশিং অসি মতম খরগী মতুংদা মাঙখিবা য়াবগী অকিবা উবা ফংই। ৱাহৈ অমা লান্না শীজিন্নবনা ৱাহৈ অমা মূৎখিনবা মচাকনি। লোনয়ান খন্দোকপা, লোনয়ান থিংবা মীপূম খুদিংনা নৈনবীরি অদুবু ইরোলগী খোন্থোক অমনা খোন্থোক অমা মাঙহনগুমসি। ইধৌ-ইবেন, ইপু-ইবোক, ইপা-ইমা, ইপল-ইমাবোক, ইখুরা-ইদোমচা, ইবুং, ইচে, ইচল, ইনাও মীঙ্গৌশিং অসিনা তাক্লি ঐখোয়সি অমত্তনি, ঈ মরীনি, ইতিনফম পূনবনি। **সনামহী** পন্থৌ ইপা লাইনিংথৌ পলেম ইমা লৈমরেলগী মপারি মমোমনি, ইবেন **ইমোইনু**না নাওকোনবীবনি। ঐ অমগী ৱারীদা অদুমক শাগোন্নদুনা চৎলগদবা ঐগী লাইনীং, চৎন-লিক্লম ময়ামসি ঐ অমনা শাফোংমিন্নসি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### অসাম রাইফলস ...

*লামায় ১গী মখা...*এস পি (ওপস) দল্লিয়ু ৱাংখোম্বনা লুচিংবা ১৬ এ আরগী মেজর রাহুলগী কাঙবু অমসুং থৌবাল কম্মান্দোগী ও সী ইন্সপেক্টর কে নিতরঞ্জন য়াওনা খোংজে াম পাপাল লমখায়দা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌখি হায়রি। অদুগা নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা মফম অদুদগী প্রিপাক (প্রো) গী কাদরনি হায়বা ইম্ফাল ইষ্টকী উরূপ অৱাং লৈকায়দগী এম দি সনাজাওবা (২৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি সিরাজ অহম্মদ ইহান হান্না ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

মহাকপু ৱাহং পাউহং চত্থবদা চহীসিগী জুলাই ৫দা লিলোংগী উশোইপোকপীদা আই ঈ দি অমা পোকখায়হন্দুনা অসাম রাইফলসকী জৱান অমা শিহনখিবা থৌদোক অদু মহাক্কা লোয়নননা ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ খোংনাংমখোঙদগী ওইনাম অমিটকুমার এলিয়জ নাওবী (২১) অপোকপা ও খোগেন কৌবা কাদর অমগনা প্রিপাক (প্রো) গী চ্যেরমেন এস পালিবগী লমজিং লমতাক মতুংইন্না চত্থখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি হায়রি।

মহাক্লা হায়দোরকপদগী ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা তোপ খোংনাংমখোঙদগী ওইনা অমিটকুমার মশাগী য়ূমদগী মোবাইল ফোন ৩ অমসুং শেল ওইনা লুপা ৩৫,৫০০গা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

ফাগৎলগা পোৎলমশিং অসিগা লোয়নননা কাদর অনীমক্কী মথক্তা মখা তানা থিজিন হূমজিন্নবা লিলোং পি এসতা শিন্নখ্রে হায়রি। লোয়নননা এস পিনা পাউমীশিংগী খূথাংদা অসিগুম্বা এন্টি সোসল ওইবা থবকশিং অসি মখা তানা তৌবীগনু হায়নসু আপীল তৌখি।

ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা এদিসনেল এস পি, ও ৱাংখোম্বা, ১৬-এ আরগী মেজর রাহুল অমদি থৌবাল কম্মান্দোগী ও সী ইন্সপেক্টর নিতরঞ্জনসু শরুক য়াখি।

### রাহুল গান্ধীনা ‘ভারত জোড়ো যাত্রা’ চৎলিঙৈদা...

*লামায় ১গী মখা...* বি জে পিগী এম এল এ মশীং ৩৩ শুরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক বি জে পি পুমশেং ওইনা কারকখিবা এম এল এ ২০গী মথক্তা অপূনবা এম এল এ ৩৩ শুরক্লিবা অসিগী মনুংদা মহারাষ্ট্রবদি গোমান্তক পার্টি (এম জি পি) গী এম এল এ ২ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ৩ য়াওরি। কোংগ্রেসকী এম এল এ ৮না বি জে পিদা চঙশিল্লকখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী মনুংদা গোৱাদগী ইহান হান্না ‘কোংগ্রেস সোড়ো যাত্রা’ হৌরে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা কুমজা ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদদি হান্না বি জে পিনা গোৱাগী ওইনা লৈরিবা সিট ২গী মনুংদা অমখক্তমক ফংখিবা অদু হন্দক্কী মীখল অসিদদি সিট অনীমক ফংলগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

অদুগা কুমজা ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা য়ামদ্রবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এম পি ৪০০ হেনবগী মপাঙ্গল ফংদুনা লৈবাক অসিগী অমুক হন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক ঙসি গোৱা এসেমব্লিদা এম এল এ ১০ লৈরম্বা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী এম এল এ ৮না বি জে পিদা চোঙশিনখিবা থৌওং অসি খ্বাইদগী ফত্তবা কোংগ্রেস এম এল এশিংগী খোঙথাংনি হায়না গোৱা ফোরৱার্দ পার্টি (জি এফ পি) গী প্রসিদেন্ট বিজয় সরদেসাইনা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস এম এল এ ৮না লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি মখোয়গী ইকায়খুম্নবা অমসুং পোলিটিকেলগী ওইবা মশক পুংথু থুগাইরগা লন থুম মীহৌবা অমদি পৱার পাম্বদগী থাংলকখিবা খোঙথাংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লোয়নননা মহাক্লা বি জে পি রোমদা ওনশিল্লদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদনা বি জে পিনা পৱার পায়রিবসি মীয়াম্না পীরকপা মেন্দেটকী মতুংইন্না নত্তে। দেমোক্রেসি অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি পোলিটিক্সকী ফীভম হন্থহল্লগা অরানবা পাম্বৈনা লৈঙাক পায়রকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি। অসিগুম্বা মীয়ামগী মীহুৎশিংবু চান-থক্লবা গেহুনচিংবা চিঞ্জাকতৌনা অমসুং শা-ষণদৌনা লৈবগী থবক অসি পুকচেল শেংদবগী থৌওংনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, চহীসিগী হৌখিবা জুলাই থাদসু বি জে পিদা চোঙশিন্নবা কোংগ্রেস এম এল এশিংগী মায়কৈদগী হোৎনরম্বা লৈখ্রবনি। অদুবু কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা খঙলকপদগী মখোয়গী প্লান অদু মায় পাকহনখিদবনি। লোয়নননা ঙসি বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা এম এল এ কমটা অমসুং লোবোগী মথক্তা গোৱা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরদা দিসক্বালিফিকেসনগী প্রোসিদিং লৌখৎপীনবা পিটিসনশিং ফাইল তৌবা লৈরিবনি অমসুং হৌজিকমকসু দিসক্বালিফিকেসন পিটিসনশিং অসি স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলদা পন্দুনা লৈরিবনি। গোৱাগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট অমিট পাটকরনা ফোঙদোকখিবদা গোৱা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর লোবোনা কোংগ্রেস পার্টিগী এম এল এশিংবু মচেৎ তানা থুগাইরগা বি জে পিদা চোঙশিন্নবা হোৎনরকপদগী মহাকপু গোৱাগী কোংগ্রেসকী ওইনা সী এল পিগী লিদরগী ফমদগী লৌথোকখিবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক মথংগী চহী ২০২৩গী ফেব্রুৱারীদা পাঙথোক্কদৌরিবা গোৱা এসেমব্লিগী মীখল অমসুং কুমজা ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট ইলেক্সনগীদমক কোংগ্রেসকী এম এল এশিং অসি বি জে পিদা য়াওশিনখিবা ওইগনি হায়খি। অদুগা বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা এম এল এ মাইকেল লোবোনদি মহাক হৌজিক অচুম্বা অমসুং চপ চাবা খোঙফম অমদা লৈরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অদুগা অপূনবা কোংগ্রেস এম এল এ ১১গী মনুংদা ৮ বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেস এম এল এ ওইনা লেঙদনা লৈহৌরিবশিংনা অলটোন দি’কোষ্টা, য়ুরি অলেমাও অমসুং কার্লোস ফেরৈরানি।

ঙসি নৌহৌননা বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা এম এল এ মাইকেল লোবো অসি গোৱা এসেমব্লিগী ইলেক্সন মমাঙদা বি জে পিদা লৈরম্বদগী কোংগ্রেসতা চঙলকখিবনি। অদুগা ঙসি চোঙশিনখিবা এম এল এ ৮গী মনুংদা য়াওরিবা দিগম্বর কমটতি হান্ননা গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরল্লবনি।

### পোজিটিভ কেস ৫...

*লামায় ১গী মখা...*অদুগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ২,১৪৮ ওইবগা লোয়নননা ঙরাং খক্তদা কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ ২,০৫৫ কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না কাপথোকখ্রবা দোজ মশীং ৩২,০৯,৩৩২ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজনা ১৬,৩৮,২৩৫নি। অদুগা অনীশুবা দোজনা ১৩,১৫,৩২৯ ওইরগা প্রিকোস্নরি দোজনা ২,৫৫,৭৬৮নি হায়রি।


**BEFORE THE OATH COMMISSIONER, MANIPUR IMPHAL**

**ꯑꯐꯤꯗꯦꯚꯤꯠ / AFFIDAVIT**

I, **S D Khonongam Chiru**, Date of Birth 03/02/1985, S/o. Late S D Khonovan Chiru, a resident of Waithou Chiru Village, P.O. Lilong, P.S. Lilong, District Senapati, Manipur, do hereby solemnly affirm and state on oath as follows :-

1. That, I am a law abiding citizen of India and serving as Assam Rifle bearing No. (GD) G/5007399A, Rank Rifleman. This is true to my knowledge.
2. That, in my service record my wife's name has been recorded as Lourembam Lakshmi Chanu instead of S D Lakshmi Chiru which was recorded in her relevant documents, as these names are referred and belong to one and same person, the word "S D" stand for Sekho Dingthoi". This is true to my knowledge.
3. That, I desire to rectify my wife's name as S D Lakshmi Chiru in my service record so as to avoid any complicacy in future. This is true to my knowledge.

Verified that the contents of the above paras No. 1 to 3 of this Affidavit are all true to the best of my knowledge and nothing has been concealed therein and I swear this Affidavit on this 14th day of September, 2022 at Imphal.

Signature of the Deponent
**S D Khonongam Chiru**

By : **Advocate**

**Th. Pramotkumar Singh**
Oath Commissioner (Judicial)
Imphal West, Manipur
Regd. No. 494 of 2022

HL-P/3842/15



**BEFORE THE OATH COMMISSIONER, MANIPUR AT THOUBAL**

**ꯑꯐꯤꯗꯦꯚꯤꯠ / AFFIDAVIT**

I, **Akoijam Narendra Singh,** aged about 35 years (D.O.B. 03-03-1987), S/o, Akoijam Nabakumar Singh, a resident of Yairipok Bishnunaha Mayai Leikai. P.O. & P.S. Yairipok, District Thoubal. Manipur do hereby solemnly affirm and declare as follows:-

1. That, I have lost my Passport issued by Regional Passport Office, Guwahati bearing No. F9513323 on 06-09-2022 on the way between Yairipok to Wangkhei. This is true to my knowledge.
2. That, I did not travel to any place on the aforesaid lost Passport. This is true to my knowledge.
3. That, I did not avail any TR concessions/FTs allowance in relation to the aforesaid lost Passport, This is true to my knowledge.
4. That, I am not a non-resident Indian, This is true to my knowledge.
5. That, there was no any objection by the PIA to the aforesaid Passport, This is true to my knowledge.
6. That, I was never deported at any time at the expense of the Government. This is true to my knowledge.

I further affirm that I will take utmost care of my Passport if issued and the Government will be at liberty to take any legal action under the Passport Act, 1967, if the lapse is repeated.

Dated, Imphal
The 14th September, 2022

Signature of the Deponent
**Ak. Narendra Singh**

By : **Advocate**

**L. Bonita Devi**
Oath Commissioner
Manipur at Thoubal
Regd. No. 497/2022

HL-P/3843/15


### মীয়াম পূন্নমক্কী অয়াবা ঙাইরবদি ওইথোক্লরোই...

*লামায় ১গী মখা...* মশা মশাগী অনীংবা অপাম্বা, হায়নীংবা, য়ানীংদবা কয়া অমা থোক্লক্কনি। মরম অদুনা মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহল্লু হায়রিবা দিমান্দ অসি ঐখোয়গী ইপানাৎ-ইপুনাৎ অসি ঙাক্তুনা থম্নবা অমসুং মীতোপ মীয়ানচাশিংনা ঐখোয়গী লমদম অসি খুদুম চনখিদ্রিঙৈদা লৈঙাক্লা অথুবদা তৌফম থোকপা থবকশিং তৌবীয়ু হায়বনি হায়খি।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯ (১) (দি) অমসুং (ঈ) গী মখা পোন্না ইন্দিয়াগী সিটিজন খুদিংমক মণিপুরদা লোইনা লাকপা য়াই, লৈবসু য়াই অমসুং লম লৈবা য়াবা য়াওনা ভোট লেপ্পা য়াবা ফাওবগী অয়াবা পীরি। মসিদগী ঐখোয়না ঙাকলৌ অমা লৈহৌগে হায়রবদি আর্টিকল ১৯ গী (৫) গী মতুং ইন্না সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্দুনা চীংদা পীরিবা ঙাক্লৌ অদুগুম তম্পাক্তসু পীদুনা কন্সটিট্যুসনগী ঙাকলৌ চপ মান্ননা পীগদবনি হায়খি।

লোয়নননা মীতৈ/মৈতৈ অসি মূৎলগনি হায়না ময়াম্না পাখৎনরিবা অসি করিগুম্বা কন্সটিট্যুসনগী ঙাকলৌ অসি পীরবদি মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা করিমত্তা মীপাইনীংঙাই ওইররোই। এস টি দি সী এমনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা খন্থরগা অথুবদা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপীয়ু হায়খি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবী পুরৈরোম্বা ইমা কৈথেলগী মায়কৈদগী এ ভৈগ্যবতি অমসুং সেক্রেটরি বেবি নাম্বমসু প্রোটেষ্ট অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখি। মখোয় অনীনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা এস টি দি সী এমনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা ইমা কৈথেল অসিগী নুপীশিংনসু হনবা লৈতনা থৱায় হকচাং য়াওনা মায়ওং য়াগনি অমসুং ঐখোয়গী য়েলহৌ ফুরুপ ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈ অসি কনগদবনি লোয়নননা লৈঙাক্লসু অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়খি।

ঙসিগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিংনা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চনগদবনি হায়বা খোল্লাউ লাউবগা লোয়নননা ‘নো এস টি ষ্টেটস’, ‘নো রেল লাইন’, ‘ৱি দিমান্দ ইনক্লুজন ওফ মীতৈ/মৈতৈ ইন দি এস টি লিষ্ট’ হায়বনচিংবা ইবা প্লেকার্দ কয়াসু পায়খি।


ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯣꯐ ꯇꯦꯛꯅꯣꯂꯣꯖꯤ
मणिपुर इंस्टिट्यूट ऑफ़ टेक्नोलॉजी
**MANIPUR INSTITUTE OF TECHNOLOGY**
*(A Constituent College of Manipur University)*
**TAKYELPAT, IMPHAL – 795 004 : MANIPUR**

**ADMISSION NOTICE**
12th September 2022

No.3/1/2021-MIT: Online Applications are invited for admission to some vacant seats of the following programmes of **Manipur Institute of Technology** (An AICTE approved Institute), Manipur University for the Academic Session 2022-23.

1. **B.E. First Year courses**
2. **M.Tech. First Year (Computer Sc. & Engineering)**
3. **M.Tech. First Year (Electronics & Communication Engineering)**

**Eligibility criteria** and other details can be seen from the **E-Information Brochure** which is available in the website of the Institute and Manipur University.

**Online Application** may be submitted only at **www.manipuruniv.ac.in** with an application fee of Rs.300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs.200/- for SC/ST/PwD candidates. **The last date of submission of online application form is 21st September 2022.**

Sd/- Prof. N. Basanta Singh
Principal i/c

HL-B/7828/15


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।